HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ

PRIDE MONTH

মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়রমেন এস অচৌবনা ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মুসলিম নুপীশিংদা অহোঙবা মমলদা লংশিং য়েন্থোকখিবা

উত্রা শঙলেন ১দি সনামহি টেম্পল বোর্দপু কংলাগা মরী লৈনদে হায়রকপা লাইবক থীবনি
☛ লামায় ২

লময়ানবা ইপুনা শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে
☛ লামায় ৩

কার এক্সিদেন্টতা নুপা ১ শিরে, টিপ্পরনা ননবদা ২ শোক্রে
☛ লামায় ৬

বি জে পি এম এল এ ১০ সী এমনা কৌবা মীফমদা য়াওখিদ্রে
☛ লামায় ৭

হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটকা খুৎশম্নদুনা ঐচ ৩৬০ পিকচরসকী দিরেক্টর হেমন্ত খুমন অমসুং এক্ট্রেস বেলিন্দা ওইনামনা শীন্দুনা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায় লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

Vol. 45, Issue No. 093 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 28, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): অধিকারিময়ূম শর্দাবু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা ষ্টেট প্রসিদেন্ট হাপ্লকপদা বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলগী মায়কৈদগী মসিগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রুহিকান্তনা থোরকখিবা চেরোল অমদা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইবা অমসুং হরাওবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিগী মখাদা পার্টি অসিনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি মশক থোকপা থবক কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্লকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল মতম শাংনা তৌবা ওইরসনু হায়রি।

ক্বাক্তাদা নুপা ১ শিরম্লে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টিদ্দিম রোদকী ক্বাক্তা বজারগী মনিং লৌকোল হাইজিনফমদা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা শিদুনা লৈরম্বা নুপা অদুগী মমিং নিঙোম্থম পুর্নচন্দ্র, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন বাবু কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর ৱার্দনম্বর ৯দা লৈবনি। হকচাং অদু ঙসি এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পোজিটিভ ওইবা চহী ৯গী নুপামচা ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): খা পোৎশংবমদগী মশাগী চহী ৯ লোমদমক শুরিবা ক্লাস থ্রী তন্লিবা নিংথৌজম কোরৌঙানবা, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জিবন কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদ্রে। মহাক ঙরাং অয়ূক মশা ঙল্লক্তবদগী পুং ৬ লোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরমখিবনি। মহাকপু রিমসতা রিফর তৌরক্তুনা লায়েংনবা হোৎনরকপদা অয়ূক্কী পুং ১০ রোম তারকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৬৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.১৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

HL Poll

Q: Covid-19gi positive case masing yamna thengnaba amasung sihanbagi changsu wanglibana curfew louthokpa chumgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Cancel toukhraba class x amasung xii ki promotion pinabagidamak leingakna semliba modalitysing asi maheiroisingna yaninggadra?

Yes 42% No 58%

অস! লোইরেহে!

- ঙসিগীদি মীৱা ঙাঙবা মী কয়া হাৎলম্লে, শঙলিংবশা?



- সর, মীৱা ঙাঙদবা মী লৈরমদ্রে, হাৎপগী লোইবা নাইররোই।

অহাঙবা টেঙ্করগী মশীং য়ামদবদগী সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌবীয়ু য়াদ্রে, থাও লৌবা চৎত্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু ইসেন্সিএল আইটেমশিংগী মনুংদা চলহন্দুনা কন্ট্রোল তৌবগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী লৌমী-শিন্মীশিং য়াওনা মীয়াম্নসু খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎলম অমা ওইনা শীজিন্নরক্লিবা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিল্লকখিবগা ইরোয়ননা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ওইল পম্প পুম্নমক কর্ফিয়ুগী অথিংবসিনা কোনশিন্দ্রবসু মীয়ামগী মায়কৈদগী পেট্রোল অমসুং দিজল লৈবগী চাং খম থেংনা হন্থখিবদগী মণিপুরগী মপান্দগী মহৌশাগুম্না থাও লৌবা চৎননবা অহাঙবা টেঙ্কর মশীং য়ামদবদগী সী আর পি এফনসু এস্কোর্ট তৌবীয়ু য়াদবদগী থাও লৌবা চৎত্রে।

কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী মে ৭, ২০২১দা লাউথোকখিবনি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ লাকশিন্নবগী পাংদমদা নুমিৎ অদুদা থোকখিবা ওর্দর অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, চুড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লকখিবনি। লোয়ননা হায়রিবা অথিংবা অসি থেঙ্খাং নাইনা শাংদোকহল্লক্তুনা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ফাওবা চত্থখিগদৌরিবনি।

অদুবু কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং অসি অহানবা লাউথোরকপদগী হৌরদুনা হৌজিক ফাওবদা অথিংবা অসিনা কোনশিন্দ্রিবা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা ওইল পম্পশিংদদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা মীপূম তিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবদগী পেট্রোল অমসুং দিজলগী পোৎশিং খরা হন্থজরবসু অদুমক ওইল পম্পশিং হাংদুনা মথৌ তৌরকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিগী মথক্তা থাও মখল অনীসিগী মমলসু অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরদুনা থম্নক্লিবা কর্ফিয়ু অসিগী মনুংদা ইসেন্সিএল সর্ভিসকী মনুং চল্লিবশিং কোমথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং খরদা ফাওবা কোমথোল্লবসু মীয়াম্না থাও লৈবা থোক্লরকপগী মশীংদি অমুক্কসু হেন্না হন্থখ্রে হায়রি।

মসিনা মরম ওইরদুনা অসামগী নুমালিগর, তিনসুকিয়া, দিগবোয়নচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পেট্রোল অমসুং দিজল চিংশিল্লকখিবা ওইল টেঙ্করশিংদগী পম্পশিংদা থাগদবা থাওশিং থাফম লৈরক্তবদগী ওইল টেঙ্কর অয়াম্বা থাও পিক থন্না য়াওদুনা লৈরকপা কুইরে। ওইল টেঙ্করশিং অসিগী মনুংদগী চিংমৈরোংদা লৈরিবা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদ (আই ও সী এল) গী দিপোটতা থাবা য়াবা থাও থাদুনা হাঞ্জিন্দুনা থমখ্রে। মালোমদা লৈরিবা ওইল দিপোটতসু মখা তানা থাও থাজিন্নবগী অহাঙবা মফম লৈত্রে। অদুবু ওইল পম্পশিংগী মায়কৈদগী পেট্রোল অমসুং দিজল দিমান্দ তৌরকপগী চাং খঙহন হন্থখিবনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২



মমল হেনগৎলকপা ১সুং কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা পেট্রোল অমসুং দিজল শীৎপগী চাং য়াম্না হন্থরে

বি জে পি প্রসিদেন্টগী এক্সক্লুসিভ ইন্টরভিয়ু

মীয়ামগী ইহুল য়েংলগা মণিপুরগী য়াইফনবা থবক তৌগনি : এ শর্দা

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা অমদি ইহুল য়েংলগা মণিপুরগী য়াইফনবা থবক তৌগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরবী অধিকারিময়ুম শর্দানা পাউচে অসিগা ঙসি অখন্ননা উনবা অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

হুইয়েন লানপাউগা অখন্ননা উনবা অদুদা পাউচে অসিগী মায়কৈদগী হংখিবা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ুম শর্দানা হায়খি, হন্দক বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা ষ্টেটকী প্রসিদেন্টকী থৌগায় পুনবা শিন্নবিরকপা অসি বি জে পিনা ৱুমেন ইম্পাৱরমেন্ট হায়দুনা নুপীশিংবু লম খূদিংমক্তা শরুক য়াহন্দুনা খুন্নাই অসিদা থোং মান্ননা চৎপা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমখক পীরকপনি হায়না লৌই। পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা অমদি মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী ইহুল য়েংলগা থবক তৌনবা হোৎনগনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা বি জে পিগগী মরক্তা ওর্গনাইজেসনেল ষ্ট্রকচরদা খেন্নবা কয়া লৈ। মীয়াম্নসু বি জে পিগী ওর্গনাইজেসনেল ষ্ট্রকচর অসি তোপ তোপ্পী হায়নরি। বি জে পিগী ওইনদি বুথ লেভেলদা মায় পাক্লবদি মীখলদসু মায় পাকই হায়না লৌই। মরম অসিনা থবক খুদিংমক বুথ লেভেলদগী হৌনা ষ্ট্রেটিজি য়াৎলগা পাঙথোকই। মরম অসিনা বুথ লেভেলদা ৱার্কর কয়ামরুম লৈ। মরম অসিনা পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা বুথ মন্দল অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পার্টি হেদ ওফিসতগী পীরকপা গাইদলাইনশিংদুগী মখাদা ষ্ট্রেটিজি কয়া য়াৎতুনা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। পার্টি অসিগী সেবা হি সঙ্গথন হায়বদি মীওইবগী থৌগল তৌবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। মসিদসু নত্তনা সব কে সাথ, সব কে বিকাস, সব কে বিস্বাস হায়বসিনা অচেৎপা মন্ত্র অমা ওইনা লমদমসিবু চাওখৎনবা অমসুং ইং তপ্পা পুরক্নবসু হোৎনগনি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিগী সেবা হি সঙ্গথন হায়বা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হায়বসিনা অহানবা খোঙথাং ওইরগা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া

...মখা লামায় ৩ কলম ২

দেটা এনালাইসিসকী ইনপুটশিংদা প্লানিং তৌরবদি সেকেন্দ ৱেভ লাকশিনবদা মতেং ওইগনি : প্রো. নরেন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ লায়না লাইচৎ অসিগী ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা টেষ্ট পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ২.৮ ওইরি। অদুগা ষ্টেট খরদনা চাদা অমগী মখাদা হন্থরকখ্রে। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইনদি হৌজিকসু পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১২গী মথক্তা লৈরিবা অসি লৈঙাক্কী থৌরাং-থৌশিলদা অহোবা-অশোয়বা খরা য়াওরবরা হায়বগী চিংনবা লৈ। মরি লৈনবশিংনা দেটা এনালাইসিসতগী ফংলকপা ইনপুটশিংগী বেজদা প্লানিং তৌরবদি কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাকশিনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না লমদম অসিগী শক্নাইরবা বাইওষ্টেটিষ্টিয়ন প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

ইফেক্টিভ প্লানিং অমা তৌবা মতমদা ভেরি রিলাইবল ইনপুটস অমদি দেটা চঙই। মরমদি মরি লৈনবা দেটাশিং অদুনা লৈরিবা প্রোব্লেম অদুবু সোল্ভ তৌনবা হোৎনবদা অচুম্বা মায়কৈদা প্লানিং তৌহনবা ঙমহল্লি। কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিনা হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্কী লাইচৎ অসিগী য়াম্না মরিক চুম্বা দেটা বেজ অমা রেকোর্দ তৌদুনা লাক্লি। মণিপুরগী ওইনসু এগজুষ্টিভ দেটা লৈনা-লৈনা মদুবু মমুৎ তানা নৈনদুনা করিগীদমক প্লানিং তৌবদা শীজিন্নদ্রিবনো হায়বা অসি হৌজিক-হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। মরমদি দেটা অসিদা লাইচৎ অসিগী ৱারী-শিংবুন পুম্বা য়াওরিবনি। মসিবু মমুৎ তানা নৈনদুনা মদুদগী ফংলকপা ফাইন্দিংস

...মখা লামায় ৩ কলম ২

শক্নাইরবা বাইওষ্টেটিষ্টিয়ন প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ২৩শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

কম্মিসনগী মতেং লৌরবগী চাং য়াম্না নেম্লি : খাইদেম মনি

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী ২৩শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি নুংথিল লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা কম্মিসন অসিগী কোর্ট রুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনি, এদভোকেট এম ইবোহল অমদি কম্মিসন অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ঈ আনন্দনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

কম্মিসনগী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিনা হায়, কম্মিসন অসি জুন ২৭, ১৯৯৮দা শেম্লগা চহী অদুগী দিসেম্বর ১০দগী কম্মিসনগী মেম্বর মঙা হাপ্তুনা থবক তৌবা হৌরকখিবনি। মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা গুৱাহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা জষ্টিস সুরেন্দ্রনাথনা চেয়রপর্সন ওইখি। অদুগা হায় কোর্ট অদুগী জজ ওইরম্বা য়েন্দ্রেম্বম ইবোতোম্বী, সেসন্স জজ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা এল রবিন্দ্র, য়াম্বেম লাবা অমদি এদভোকেট টি ঐচ চোনজে াননচিংবনা মেম্বরশিং ওইখিবনি।

মীওই মঙানা শাবা কম্মিসন অদুগী ফুল টর্ম ১৯৯৮তগী ২০০৩ ফাওবা চহী মঙা চুপ্পা ফঙ্কসন তৌখি। মদুগী মতুংদা চহী ২/৩ দিফঙ্ক ওইদুনা লৈরুরবা মতুং ২০০৫দগী অনীশুবা কম্মিসনগী টর্ম অমুক শেম্লকখি। মদুদা চীফ জষ্টিস ওইরম্বা দল্লিয়ু এ শিশকনা চেয়রমেন ওইরগা এস গৌরচান্দনা মেম্বর ওইখি। লোয়ননা আর কে রাজেন্দ্র অমদি এন জি নোংয়াইবু মেম্বরশিং ওইখি। মীওই মরি অসিনা কুমজা ২০১০গী মে ফাওবা থবক পুরমখি। অদুবু মদুগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

THE 23rd FO DATION DAY
THE MANIP TS COMMISSION

চাওখৎ থৌরাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী : ডা. বিনোতা

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরবী অধিকারিময়ুম শর্দানা লমদমসিগী চাওখৎ থৌরাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চেয়রপার্সনসু ওইরিবী ৱুমেন এক্টিভিষ্ট ডা. বিনোতা মৈনমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা ৱারী শানবা অমদা ডা. বিনোতা মৈনমনা হায়খি, বি জে পিগুম্বা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা নুপী অমবু হায়বদি অধিকারিময়ুম শর্দাবু থৌ পুনবা হাপ্লকপা হায়বসি ষ্টেটসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইহনি। মণিপুরখক নত্তনা লৈবাক পুম্বদা পোলিটিক্সতা নুপীগী খোঙথাং অসি খরা অদুম শোৎখনা লৈরিবা এরিয়া অমনি। অসিগুম্লবা শোৎখনা লৈরিবা এরিয়া অসিদা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা এ শর্দাবু হাপ্লকপা অসি অসুক্কী মতীক চাউথোকচবা ফাওই। পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনসু মীতৈ নুপীগী অখাঙ কনবা, থৌনা লিংজেন অদুবু শকখঙবিবগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎপিবনি হায়না লৌই। লৈবাক অসিদা মণিপুরী নুপীশিংগী মতীক মথৌনা অসি অদুম্মক মমিং চত্তুনা লৈরিবনি। সোসিও ইকোনোমিকতা মমিং চত্তুনা লৈরিবা অসি পোলিটিকেল পাৱরদদি ফিদা অমা পীবিদনা লীশাং শীৎনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা এ শর্দাদা ষ্টেট প্রসিদেন্টকী ফম লাম্থোরকখিবা অসি

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

অমুকোনা লায়রবা ইমুং লিশীং ১০দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোক্নবগী পান্দম থম্বগী মনুংদা ইমুং ৪২৪৬তা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মণিপুরগী মীয়ামদা শুংলেপ লেপ্তুনা পীরক্লিবা অৱাবা চৈথেংশিং অসি করম্বা মতমদা কোক্তোইনো হায়বসি খঙদবা অসিনা মরম ওইদুনা হান্নদগী লায়রবনা মরম ওইদুনা হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামসিদদি অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরে।

ৱাফম অসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মসিগুম্বা অৱাবা মায়োক্নরিবা ইমুং লিশীং ১০দা অমুকোনা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংনবা পান্দম থম্লিবা অসি য়ৌনবা হায়দুনা ওর্গনাইজেসন অসিনা চোকথবা অমদি পোত্থাবা তৌদনা মখা চত্থখিগনি। লমদমসিগী লূপ কয়াগা পূল্লগা খরা হেন্না অৱাবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা অমুকোনা খরমখৈদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবনি।

অমুকোনা পরিং নাইনা চত্থরকপা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা য়ূমশিংদা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপ কয়াদা থৌদাং শীন্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী পূন্না য়ূম ২৯৬তা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। ঙসি ফাওবদা অমুকোনা লূপশিংগা পূল্লগা য়ূমশিংদা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোরক্লিবসি পূন্না য়ূম ৪২৪৬শুরে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা শিংজমৈদগী লিলোং ফাওবগী ক্লব ৬৪গী অপূনবা লূপ ওইরিবা শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (স্লুকো) দা মপূং ওইবা থৌদাং শীন্নদুনা স্লুকোনসু মখোয়গী জুরিসদিক্সন্দা লৈরিবা লায়রবা ইমুং ১০৬তা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। মসিদা অমুকোগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন (ইনচার্জ) কোইজম সন্তোস মীতৈ অমদি স্লুকোগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বীনা লুচিংখি।

স্লুকোনা মখোয়দা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমনা পুৱারীগী লাইফমশিংগী খোঙ্গুল লীরি

পুৱারীগী লিক্লম...

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা মৈতৈ ফুরুপকী লেঙবা য়াদ্রবা মফম অমা থম্নবগী পান্দমদা মীংচৎ তানবগী থবক্তগী লাপথোরক্লিবা ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমনা মণিপুরগী পুৱারীগী মফম লাইফমশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক্লা অচৌবা থৌদাং ওইদুনা মাঙদা থম্লগা থিজিন-হুমজিনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

মালেমগী মফম অয়াম্বদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপশিংগী ঈনাৎ-লাইনীং, লোল-ময়েক অমদি চৎন-কাঙলোনশিংবু মাঙহন্দনা থম্বনা ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমগী পান্দমগা লোয়নরি। হায়রিবা ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফম (আইএসপি) অসি ঙসিদগীনা চহী ৬৪ লোমগী মমাঙ অদুগৈ কুমজা ১৯৫৭গী নবেম্বর ৬তা শাফোঙলকখিবনি। আই এস পি অসি বাংলাদেশ, ম্যান্মার, য়ুনাইটেদ কিংদম, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ অফ্রিকা, ফিলিপিন্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানচিংবা লৈবাকশিংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপ (লাইনিংথৌ সনামহী লাইনীং চৎপা) মীওইশিং অমদি লৈবাক অসিগী ওইনসু সিলচর য়াওনা অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপশিংগী ওইবা অপূনবা লূপনি। ফুরুপচাশিং অসিনা মখোয় মখোয়না লৈরিবা লৈবাকশিংঅ দুদা মৈতৈ ফুরুপকী লাইনীং, চৎনরেল, ইনাৎ কয়াগী মশকশিং ফোঙদোক্তুনা উৎলকপা কয়ানা ঙসিদি মৈতৈ লাইনিংথৌ সনামহীগী মতিক ময়াই কয়া মীপূম তিংনা খঙনরক্লি।

ঈনাৎ লাইনীংখক্তগী ৱাফম নত্তনা মৈতৈ ফুরুপকী মশক তাক্লবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙচৎ অমগা লোয়নদুনা চৎলি। মতম-মতমগী লাইগী থৌরম কয়া শাগোন্নদুনা থৌরমশিং অদুগী থৌদাংশিংসু লৌদুনা পাঙথোকপসু হৌরক্লি।

মৈতৈ ফুরুপশিংনা মৈতৈগী শাগোন্নরক্লবা ঈনাৎ-লাইনীং, চৎন-কাঙলোন অমসুং লমদমসিগী পুৱারী শাগোন্নরক্লবা লাইফমশিং থিজিন্দুনা মফম চানা ঙাক শেন্দুনা থমহৌবা ঙম্নবা অমদি তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা কলহৌনবা ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমনা চঙশিল্লক্লি।

নহা কয়াসু ঈনাৎ-লাইনীংগী চৎন-কাঙলোন কয়া তম্বীদুনা খঙহনবগী থবকশিংসু চত্থরক্লি। মসিনা ঈনাৎ-লাইনীং অসিবু পামজরক্লবা নহাশিংগীদমক্তদি লমজিং-লমতাকপা অমগা লোয়নদুনা চঙশিল্লক্লিবা মফম অমসু ওইরি। ঙসিদি সনামহী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পোজিটিভ কেস ৬৬৯ থেংনখি, মীওই ১৬ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী তমথীরবা সেকেন্দ ৱেভ অসিনা পীরকপা চৈথেংশিং মায়োক্নবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎতুনা লাক্লগসু নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং পূক্নিং লূম্নিংঙাই ওইবা মওংদা হন্থরক্তবদা নত্তনা মী শিবগী চাংসু অদুমক ৱাংনা লৈরি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৬৯নি হায়রি।

মসিগী মনুংদা কেস ৬না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা কেস ৬৬৩না মীচম মীয়ামনি। অদুগা মীচম মীয়ামগী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং অসিগী মনুংদনা নুপা ৩৪৩ অমসুং নুপী ৩২০ য়াওরি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ১৬, জেনিমসতা ২০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৪৮ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা পোজিটিভ কেস মশীং ১৮৫ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৯৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২৬...

মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫